লম হেনবা, ঙাওশিন্নবা লাকশিন্নবা হীদাক

- ডা. ঙাঙবম শান্তিকুমার -

মমা-মপা কয়ানা মচা-মশুশিং শেন্নবদা খ্বাইদগী অৱাবা থেংনবা মতমসি মখোয়না মথোৎ কারকপা হায়বদি চহী ১৩ শুরকপদগী চহী ১৯, ২০ শুরকপা অসিগী মতমসিনি। মসিগী মতমসি ইংলিসতা 'ষ্টোর্ম এন্দ ষ্ট্রেস' হায়না খঙনৈ। মসিগী ৱাহৈ অহুমসি, অমেরিকান সাইকোলোজিকেল এসোসিএসনগী অহানবা প্রসিদেন্ট ওইখিবা জি ষ্টেনলি হোলনা কুমজা ১৯০৪দা শেমখিবা মমল য়াম্লবা ৱাখল্লোননি। মসিগী নুংগী ওইবা ৱাহন্থোক্তি - হায়রিবা চহী ১৩দগী ১৯/২০ ফাওবগী মনুংদা লৈবা নহাশিং অসিনা মপূং ফাবা মী অমা ওইরকপগী অহোংবা লাকপা মতম অসিদা মখোয়গী মমা-মপাশিংগা য়াম্না তোয়না য়েৎনবা, খৎন-চৈনবা, ৱাখল-পূক্নিং তোইনা হোংবা, লৈতাদবা অমদি খুদোংথীনীংঙাই ওইবা হীরম কয়াদা খোঙ থাংজিনবগী মতমনি হায়বসিনি। মতম অসিদা মখোয়বু নিংথিজনা ঙাক শেনবীদুনা, তাকপী-তম্বীদুনা লমজিংহৌদবা তারবদি ফত্তবা লম্বীদা খোঙ থাংজিনখিদুনা অমুক হন্না অচুম্বা, অফবা লম্বীদা পুরকপা য়াম্না ৱানা থোকই। মরম অসিননি মমা-মপা ওইবা কয়ানা হায়রিবা তাঙ্কক অসিদা মচা-মশুশিংবু য়াম্না নিংথিনা লোয়নদুনা তাকপী-তম্বীবা, অচুম-অরান খঙহনবা, হৌন-লোনচৎ তম্বীবনচিংবা য়াম্না মথৌ তারিবসি। মসি তৌহৌদবা মমা-মপা কয়া অদুগী ইমুংদগী অয়াম্বনি ঙসি ঐখোয়গী খুন্নাইদা অমদি মালেমগী মফম কয়াদা ড্রগ চাদুনা, ক্রাইম তৌদুনা, হুরান-চিন্থি তৌদুনা পুন্সি লেল্লিবা অমদি কৈশুমশঙদা মপুন্সি লোমলিবা।

অসিগুম্বা পুন্সি অসিদগী ঐখোয় ঐখোয়গী ইচা-ইশুশিং কলহৌনবগী য়াম্না ফবা লম্বী অমা হায়রগদি মখোয়বু চাং নাইনা হকচাং শাজেল তৌহন্দুনা হকচাং ফনা লৈনীংবগী ৱাখল্লোল অসি নৌরিঙৈদগী তম্বীবা হায়বসিনি। নৌরিঙৈদা তৌহৌদ্রবসু হৌজিকসু অদুম য়ারি। চাউরকান্দা তম্বীবদগীদি পিক্লিঙৈ, নৌরিঙৈদা তম্বীহৌবনা য়াম্না লায়না থোকই। অসুম্না হকচাং ফনা লৈবগী ৱাখল্লোন অসি মখোয়গী কোক্তা চঙখ্রবদি তুংদা মখোয়না চাউরক্লবা মতমদসু হকচাং ফনা লৈনীংদুনা শাজেল তৌগনি চাং নাইনা। চাং নাইনা শাজেল তৌবা অমদি শান্ন-খোৎনবা মীওইশিংদি অফবা চিঙ্গাক, হকচাংদা মচি ওইবা চিঙ্গাকশিং চানীংবা হায়বসি মহৌশানি। মরম অসিনা অফবা চিঙ্গাক চানবা হোৎনরক্কনি। শাজেল নীংথিনা, চাং নাইনা তৌবা পাম্লবা, অফবা চিঙ্গাক চানীংবগী ৱাখল্লোন লৈরবা, অতৈদি মথং-মথং মতুং ইন্নরক্লনি। খুদম ওইনা হায়রবদা শাজেল নিংথিনা তৌদুনা হকচাং ফনা লৈনবা হোৎনবদা মতম নিংথিনা শীজিন্নবা হৌরক্লনি, মতাং-মতম চানা তূম্বা হৌগৎপগী হৈনবী লৈরনি। মখোয়গুম্বা মীওইশিং অসিনা মতৌ করম্না ফত্তবা হৈনবীদা চঙগদৌরিবনো। চঙনীংলোই। করিগুম্বা চঙখিবা তারবদি মদু মহাক্কী ইমুং-মনুংনা য়াম্না কোম্না থাদোকপা নৎত্রগা ফত্তবা শঙ্গ তিন্নরুবনা ওইগনি। অদুবু অয়াম্বনদি মদু পাক হেক থোক্কনদে।

নিংথিনা শাজেল তৌবা, চাবা-থকপদা মচি ওইবা চিঙ্গাক চানবা হোৎনবা মীওইশিংদি য়ু-নুং থক্কুনা, শানৈ য়ুনৈবগী, মতম মাঙহনবগী, হুরান-চিন্থি তৌবগী, অতোপ্পদা ফত্তবা তৌরুবগী হৈনবীসু লৈগন্দে। মরমদি অসুম্না তৌবসিনা মখোয়গী শাজেল তৌবদা অমদি হকচাং ফনা লৈনবা হোৎনবদা অকায়বা, অয়েৎপা য়াম্না পীবনা। হোয়, নোংমা ফাদোক নুংঙাইথোক্কে কায়না তৌবদি য়ানৈকো নুংঙাইথোকপগী মমীংদা। অদুবু মখোয় অয়াম্বনদি মসিগুম্বা ফত্তবা হৈনবী অসিদগী লাপথোক্লা লৈনবা হোৎনবনা অয়াম্বনি।

হায়রিবা লমহেনবদগী, ঙাওশিন্নবদগী, মতম মাঙহনবদগী ঙাকথোক্লবা চাং নাইনা হকচাং শাজেল তৌবগী হীদাকসি ঐহাক্কী ইচানুপা ননাওমক্তদা শীজিন্নবা হৌখিবনি মহাক্না মথোৎ কারকপগী ঙাওশিন্নবা, লমহেনবা, মতম মাঙহনবা হৌরকপদা। শান্নবা হৌদ্রিঙৈদা মহাকপু শেন্নবদা, ঙাঙনবদা কোক চিকখিবনি। করম্বা মতমদা ৱাখল তারক্কদবা খনবদা মমাসু ঐহাকসু অৱাবা অমা ওইখিবনি। অদুবু ঙসিদি ইচা পোকপগী মহয় য়াল্লে হায়নবদো থোক্লে। মরম য়াম্না মোক্লে। ঐখোয়না হায়বা য়াম্না মুন্না তাশিংদুনা থবক তৌরে। টাইৱানগী মেরিনকোর্পসতা আর্মিগী ত্রেনিং চত্থরি। নহান মে তাং ১১দা নুমিৎ ১২নিগী ত্রেনিং তৌবা লেপ্তুনা পোত্থাবগী মতম ফংই হায়দুনা হৌজিক য়ূমদা হল্লক্কুনা লৈরি। য়ূমদা থুংলবা হেক নোংঙানবগা ইপা-ইচা জিমদা চৎতুনা শান্নরুই। শান্নখিগনি মখা তানা মহাক্লা হেক হনখিদ্রিফাওবা মহাক্কী ত্রেনিং কেম্পতা। মহাক্লা সিদা হেক লৈরিবমখৈ ইপা-ইচা পূন্না পূন্না চৎতুনা শান্নদুনা লাকপনি মহাক্লা আর্মি চঙলমদাইদগী ঙসি ফাওবা। য়াম্না কান্নবনে জিমদা শাজেল তৌহনবসে। হৌজিক্তি মমাসু ঐহাকসু ইচা ননাওসে য়াম্না নুংশিরে। ইচা ননাওদা অহোংবা কয়া লাক্লিবসিগী মরমদি শাজেল চাং নাইনা তৌবা অসিননি। মহাক মতোমতা নত্তে শান্নবা। ইচা বেম অমদি ইচা অতোনবা বুং বুংসু ৰুশু শান্নরি। নুংতিগী স্কুল ক্লাস লোইরগা মেচিন-মৌপ্পা পূন্না মখোয়গী স্কুলদা শান্নরি। মখোয় অনীসু মরম য়াম্না মোকই। ইচা বেম বেমদি মকোক মথং তাবগী মনাসু য়াম্না ফংলে। লোয়ননা সেনিয়র হায় স্কুল তমহনবগী ক্বালিফাইদসু ওইরে স্কুলগী স্পোর্টস কোটাদা। স্পোর্টস কোটাসি নৎত্রদি মহাকসু অতৈগুম নেসনল টেষ্ট য়াওগদবনি। শাজেল তৌবা অমদি শান্ন-খোৎন তৌবসি মশা মউ ফবতা নত্তনা ৱাখল নুংঙাইহল্লি, মশক-মতৌ, কুচু-কুমেন ফজহল্লি, সেল্ফ কনফিদেন্সসু য়াম্না লৈহল্লি অদুগা মতম নিংথিনা শীজিন্নৈ, হৌন-লোনচৎসু হেন্না খঙই লোয়ননা চম্না পুন্সি লেল্লি, ঈরাংদা য়াওগন্দে। কান্নবা য়াম্না লৈখ্রে।

চুমদবা লম্বীদা চৎখিবদগী নহাশিংবু ঙাকথোক্কে হায়রবদি জিমদা শাজেল তৌহনবসি অসুক্কী মতিক কান্নবনি হায়বসি মমা-মপা ওইবা কয়ানা খঙদে, খন্থরুবসু তৌদে, খঙদবনিনা। চাং নাইনা শাজেল তৌবনা অরানবা লম্বীদা চৎখিবদগী থিংবতা নত্তনা মশা মউ ফনা, ৱাখল তানা, অফবা মী অমা ওইনবা শেম্বদা অসুক্কী মতিক চাউনা মতেং পাংই হায়বসি লাইরিক লাইশু হৈরবনি, অচৌবা ওফিসর ওইরবনি, লুচিংবনি হায়না লৈরিবা মীওই অয়াম্বনা ফাওবা খঙবা, উবা ঙমদে। মখোয় ফাওবা খঙদ্রবদি ইচম চম্না হিংজবা মমা-মপাশিংদি কমদৌনা খঙগদৌরিবা। মসিননি ঐখোয়গী মচাশিংনা শান্নজগে হায়রবা ফাওবদা লাইরিক-লাইশু তম্বদা শোয়রক্কনি হায়দুনা শান্নহন্দবা কয়া অমসু য়াওরিবনি। মমৈথংদদি লাইরিক্তা তৌহনবদগী খিরক্তনা লাইরিক পাও হায়বসু পানীংদ্রে লোয়ননা মতৌ করম্না পূক্নিং ৱাখল লৈতানা, নুংঙাইনা লৈনবা হোৎনবদা চাহৈদবা পোৎলমশিং চাবা হৌরক্লে। ময়ামসু খঙবীরবনি হৌজিক পিকখ্রবা ইরমদম কংলৈপাক্কী মশীং য়ামিখদ্রবা লমদমসিদা ড্রগ এদিক্টনা লাইচুরবা মীওই লিশীং ৩০ হেন্না লৈ হায়না পানরি। এদিক্ট ওইদ্রিবা লিশীং কয়া অমসু লৈরিবনি মসিগী মথক্তা। ড্রগ শীজিন্নবগী ফত্তবা হৈনবীসি থিংনবা হোৎনবদা লৈখাক্লা শেল অমদি মতম কয়া থাদরি। হায়রিবা ড্রগ এদিক্ট ওইরিবা মীওইশিংসি করিগুম্বা চাং নাইনা শাজেল তৌবা নৎত্রগা করিগুম্বা মখল অমগী শান্নবদা পূক্নিং চঙলম্লবদি মখোয় ঙসি ড্রগকী লাইচৎ অসিনা নারম্লোই।

অতোপ্পা ঐহাক্লা তম্বীবা মহৈরোয় খরসু চুরুট থকপা, ক্লাসতা পূক্নিং চঙদবনচিংবদগী ঙাকথোক্লবা জিমদা শাজেল তৌনবা পূক্নিং থৌগৎপী। অসুম্না তৌবসিনা মখোয়দা য়াম্না চাউবা অহোংবা অমা পুরকপা ঙম্মে। হৌজিক্তি মহৈ তম্বদা আ মমৈদা ফল্লম্বদু মহাক্কী মরুপ মপাংশিং লোইনা থাদোক্লম্লগা মমাঙ পরেংদা নুংতিগী ফমলে, পূক্নিংসু য়াম্না চঙনা মহৈ তম্লে। জিমদসু চাং নাইনা শান্নবদা নত্তনা ঐহাক্লা তাকপীবা অফবা চিঙ্গাকশিং চারি। মতোমতা চাবতা নত্তনা ময়ামদা অমদি মপাবুসু অচম্বা মওংদা থোংদুনা পীজরি। লাক্লিবা জুলাই তাং ৪দা পাঙথোক্কদৌরিবা ২০২০ আই এন বি এ টাইৱান চেম্পিয়নশিপ্তা থোক্কনি হায়দুনা এপ্লিকেসন ফোর্মসু লৌখ্রে। মসিগী মথক্তা মতমসু নিংথিনা শীজিন্নরে, মতম চানা-চানা থবক খুদিংমক তৌবা হৌরে। মসি উবদা য়াম্না হরাওবা পোকই ঐহাক্কী থম্মোয়দা। মহাকপু পোকপা মমা-মপাশিংদি কয়াদা হরাওরমগনি অসুম্না অচৌবা অহোংবা অমা লাকপসিদা। হরাওমনখিদুনা মপাদুনা ঐহাক্লা শান্নরিবা পুং ২৪ হাংবা জিমদুদা শান্ননবা হায়দুনা মীংসু চনশিনবীরে।

লোইশিল্লকপদা হায়জনীংবদি, মচাশিংবু অয়ূক নুংথিল খাক্তনা মী ওইনবনি হায়দুনা শেঙ্গাও-শেঙ্গাও থাদদুনা লাইরিক তমহল্লিবা অমদি ট্যুসন থারিবা, মরুওইনা মমা-মপা ওইরিবা কয়াদা লাইরিক্তা তমহনবনা মচাশিং অফবা মীওই অমা ওইরক্কনি হায়বগী ৱাখল্লোলদু থাদোকপীয়ু। মদু অরানবা ৱাখল্লোলনি। য়েংবীয়ু চাওখৎ-চাওখৎলবা মালেমগী লৈবাক খুদিংমক্তা শাজেল তৌবা অমদি শান্ন-খোৎনববু অসুক্কী মতিক লূম্না লৌদুনা শাজেল তৌবা অমদি শান্নববু শৌগৎলিবা। খুদম ওইনা পল্লবদা, চাইনা, য়ু এস এ, বৃটেন, জর্মনি, জপান, কোরিয়া, সিঙ্গাপোর, টাইৱান্নচিংবা (খরা পঞ্জবনি) লৈবাকশিং অসিদা শান্ন-খোৎনবসি অসুক্কী মতিক লূম্না লৌই। ইরমদমদি হেক পোকপদগী শান্ন-খোৎনবা হায়বসিদি ঐখোয়গী লু-তোংদা পক্তুনা লাক্লবনি, মহৌশানা পীথোরক্লবা মতিক ময়াইনি। অদুবু ৱাখল তাদবা মমা-মপা কয়ানা অমদি শেম্বীদবা লৈঙাক্লা মাঙহল্লবনি হায়রিবা মতিক ময়ামশিং অসি। অদুবু পামজবনা মখোয়না শেম্বীদ্রসু, শৌগৎপীদ্রসু শান্নরোয় কয়া অমদি অদুম শান্নৈ, মশানা মশাবু শেমগৎচৈ। হায়জনীংবদি অমসু অমসু লোইনা ফনবা নহাশিংবু শাজেল চাং নাইনা তৌহনসি, মখোয় মখোয়না পামজবা মশান্নদা শান্নহনসি। তৌবতবু মতম করম্না শীজিন্নগনি হায়বদুমা মমা-মপা ওইবা ঐখোয়না তাকপী-তম্বীবা মথৌ তাই। লোয়ননা শান্নরিবনি হায়দুনা নেচরেল ওইদবা শান্নরোয়শিংনা শীজিন্নরিবা ড্রগশিং অদুদি চাহনবীগনু। শাজেল চাং নাইনা তৌবনা য়াইফরে। থাগৎচরি। য়াইফমীন্নরসি। ●

ষ্টেটকী পাউ

সফাই কর্ম্মচারিশিংগী খুৎশুমল হেনগৎনবগী খোঙথাং অচুম্বনি, অথুবদা ষ্টেট সফাই কম্মিসন লিংখৎপীয়ু : সংঘ

ইম্ফাল, মে ১৩ (ঐচএনএস):

সফাই কর্ম্মচারিশিংগী খুৎশুমল হেনগৎনবা চীফ মিনিষ্টরগী খোঙথাং অচুম্বা খোঙথাং অমনি। অথুবা মতমদা ষ্টেট সফাই কম্মিসনসু লিংখৎপীয়ু হায়না ভারতিয়া মজদুর সংঘ মণিপুর ষ্টেটকী নোর্থ ইষ্ট ইন-চার্জ এন তোম্বনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, লোকদাউন মরক্তা মীপুম তীংনা য়ুমদগী মপান থোক্লিংদ্রবা তাল্লক্তা কথোকপা অমগা লোয়ননা ইম্ফালগী মফম কয়াদা, শেংলবা কংলা লাইফল্লেন্দা অপীকপা খুৎশুমলনা মীয়ামগী থবক তৌরিবা সফাই কর্ম্মচারিশিংনি। সফাই কর্ম্মচারিশিংবু নুংশিদুনা চীফ মিনিষ্টরনা খুৎশুমল হেনগৎলগনি হায়না সোসল মীদিয়াদা ফোঙদোরকপা অসি খ্বাইদগী চুম্বা খোঙথাং অমনি হায়না লৌই।

এসিয়াগী খ্বাইদগী চাউরবা সেন্ট্রেল ট্রেদ য়ুনিয়ন ভারতিয়া মজদুর সংঘদা এফিলিএট তৌরিবা সফাই কর্ম্মচারি সংঘ মণিপুরনসু থৱায় হকচাং য়াওনা অপেনবা ফোঙদোক্লি। লেবর কোর্ট ২০২০ দা পল্লিবা মিনিমম ৱেজ ফংহন্নবগী মথক্তা নেসনল কম্মিসন ফোর সফাই কর্ম্মচারিগী য়াথং মতুংইন্না ষ্টেট কম্মিসন ফোর সফাই কর্ম্মচারি লিংনবসু চীফ মিনিষ্টরগী পূক্নিং চিংশিল্লি। কুইরবা চহী কয়া কনা অমত্তনা নীংশিংলুদ্রবা সফাই কর্ম্মচারিশিংবু চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা হৌজিক সফাই কর্ম্মচারিগা মরী লৈনবা দিপার্টমেন্ট ওইরিবা মহুদ পায়রকপগা লোয়ননা মীনুংশিগী থৌজাল য়েংবীরকপা হায়বসি সফাই কর্ম্মচারিশিংগী মফমদদি খ্বাইদগী য়াম্বা লৈঙাক্কী খুদোলনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। মালেমগী লম কোয়বা কয়া অমসুং মণিপুর ইমাগী কাচিন-কোয়া কয়াদগী মীওই কয়া লাইফল্লেন কংলা খুরুম্বা লাক্লরি। হন্দক কোভিদ-১৯গী লোকদাউন মরক্তা অমদি নোংজু-নুংশা থিদনা কথোকপগা লোয়ননা থবক তৌরিবা সফাই কর্ম্মচারিশিংগী থবক্লা ইরমদম মণিপুরবু মালেমদা মশক ফজহনবদা অচৌবা কন্ট্রিব্যুসন পীদুনা লাক্লি। মখা তানসু পীখিগনি।

কংলা মনুংদা থবক শুরিবা সফাই কর্ম্মচারি খক্তা নত্তনা লমদম অসিগী সফাই কর্ম্মচারিশিং, অশা ৱার্করশিং, অঙ্গনৱাদি ৱার্করশিং, হেল্পরশিংদসু লৈঙাক্লা লেপ্পীবা মিনিমম ৱেজ পীবীয়ু। সফাই কর্ম্মচারিশিংগী খুৎশুমল হেনগৎনবগী খোঙথাং অমা লৌখৎলকপা অসি য়াম্না চুম্বা খোঙথাং অমনি হায়না লৌই। সফাই কর্ম্মচারিশিংনা তৌরিবা থবক কয়া অসিবু ঈকায় খুম্নবগা লোয়ননা অথুবা মতমদা ষ্টেট সফাই কম্মিসনসু লিংখৎতুনা পায়খৎপা য়াবা থবকশিং পায়খৎপীয়ু। নেসনল কম্মিসন ফোর সফাই কর্ম্মচারিনসু ষ্টেট কম্মিসন ফোর সফাই কর্ম্মচারি লিংখৎনবা হান্ননা খঙহল্লকপসু লৈখ্রবনি। লূ-নানবা মফম ওইহন্নবা শিৎ-শেংবগী থবক তৌরিবা সফাই কর্ম্মচারিশিংনা নোংজু-নুংশা খাক্তনা শিৎ শেংদুনা লূ-নালহন্নবা হোৎনরিবনি।

কোভিদ-১৯গী লাইচৎ অসিনা হৌজিক অকিবা ফীভম লৈরিবা মরক অসিদা সফাই কর্ম্মচারিশিংদি কথোকপগা লোয়ননা শিৎ শেংবগী থবক ইম্ফালগী অকোয়বা মফম কয়াদা চত্থদুনা লৈরিবনি।

সফাই কর্ম্মচারিশিংনা লৌরিবা থৌদাং অসি খঙবীফম থোকই। কংলা অমদি ইম্ফালগী অকোয়বা মফম কয়াদা লূ-নালহন্নবা হোৎনবদা সফাই কর্ম্মচারিশিংনা অঙম্বা থাক্তা হোৎনদুনা অমোৎ অকায়শিং শিৎ-শেংলিবনি। লৈঙাক অসিগী চীফ মিনিষ্টরনা সফাই কর্ম্মচারিশিংগীদমক মীনুংশিগা লোয়ননা খুৎশুমল হেনগৎকনি হায়রিবা ৱাফম অসি তরাম্না ওকই। মসি তঙাইফদনা তৌফম থোকপা খোঙথাং অমনি। মতম শাংনা নীংশিংবীরুদ্রবা সফাই কর্ম্মচারিশিংবু নীংশিংবীরকপা অসি নুংঙাই হায়নসু মখা তারি।

অমজুদা মতেং পাংলকখ্রে

ইম্ফাল, মে ১৩ (ঐচ এন এস):

কোভিদ-১৯গী লাইচৎ মরক্তা মীয়ামদা ঈ-পাউ পীরিবা পাউমীশিংবু ঈকায় খুম্নবা উৎপা ওইনা ঙসি মণিপুর সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি কাউন্সীল (মাষ্টেক), সী এস আই আর, এন ঈ আই এস টিগী মায়কৈদগী মখোয়না পুথোকপা হার্বেল সেনিটাইজর কয়া ওল মণিপুর ৱার্কিং জর্নেলিষ্ট য়ুনিয়নগী প্রসিদেন্টদা খুৎশিন্নখ্রে।

ঙসিগী তেংবাং পোৎলম খুৎশিন্নবা অদুদা মাষ্টেক্কী দিরেক্টর ডা. এল দিনচন্দ্রসু শরুক য়াখি।

অমরোমদা, মোর চোইজ ইন্টরপ্রাইজকী মায়কৈদগী চান-থক্লবা পোৎলম খরসু অমজুদা তেংবাংলমখি। কোভিদ-১৯গী লায়না-লাইচৎকী মরক্তা ঈ-পাউগী লমদা থবক তৌরিবা পাউমীশিংবু ঈকায় খুম্নবা উৎপগা লোয়ননা মায়কৈ কয়াদগী অমজুদা তেংবাং পোৎলম খুৎশিন্নরকপা লেপত্রি। ঙসিসু তেংবাং পোৎলম কয়া অসি অমজুগী প্রসিদেন্টতা খুৎশিন্নরমখি হায়রি।

পি এম জি কে এ ৱাই অমদি ও এম এস এসকী য়াওনা চেঙ চিংথোকপগী থবক চত্থনরি

ইম্ফাল, মে ১৩ (ঐচএনএস):

প্রধান মন্ত্রি গরিব কল্যাস অন্ন যোজনা (পি এম জি কে এ ৱাই) অমদি ওপন মার্কেট সেল স্কিম (ও এম এস এস)কী য়াওনা পি দি এসকী চেঙ চিংথোকপগী থবক য়াম্না কন্না চত্থনরি।

দিষ্ট্রিক্টশিংদা লৈরিবা বেনিফিসরি-শিংদা য়েন্থোক্লবা চেঙশিং ষ্টেটসিদা লৈরিবা এফ সী আই গোদাউনশিংদগী চিংথোকপগী থবক চত্থনরি। ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা হিয়াংলম এ সীগী ওইনা চেঙ ক্বিন্টল ১৯১২.৫০ চিংখ্রে। তমেংলোং এ সীগী ওইনা পি এম জি কে এ ৱাইগী চেঙ ক্বিন্টল ৩১০ চিংথোকখ্রে। নম্বোল এ সীগী ওইনা চেঙ ক্বিন্টল ১৯২৩.৯০ চিংখ্রে। ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী হৈঙাং এসেমব্লী কনষ্টিট্যুএন্সিগী ওইনা পি এম জি কে এ ৱাইগী মখাদা চেঙ ক্বিন্টল ৪১৯.৯০ অমদি ওপন মার্কেট সেল স্কিমগী ওইনা চেঙ ক্বিন্টল ১৫৭.৫০ কোইরেঙ্গৈ গোদাউনদগী চিংথোকখ্রে। ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা নাওরিয়া পাখংলাকপা এ সীগী ওইনা পি এম জি কে এ ৱাইগী মখাদা চেঙ ক্বিন্টল ১৫৮৪.৫ চিংথোকখ্রে।

থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা ৱাংখেম এ সীগী ওইনসু চেঙ চিংথোকপগী থবক চত্থরি। ৱাংজিং-তেন্থা এ সীগী ওইনসু ও এম এস এসকী চেঙ চিংথোকপগী থবক চত্থখ্রে। তদুবী এ সী অমদি কারোং এ সীগী ওইনসু চিংথোকখ্রে। জিরিবাম এ সীগী ওইনা এফ সী আই গোদাউন, জিরিবামদগী চেঙ ক্বিন্টল ৯৮৪.২৬ চিংখ্রে।

ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী এসেমব্লী কনষ্টিট্যুএন্সি অনীগী ওইনা পি এম জি কে এ ৱাই অমদি ও এম এস এসকী য়াওনা থা অসিগী ১০ দা চেঙ ক্বিন্টল ৭৮৪৩.৩০ চিংথোকখি। খুন্দ্রাকপম অমদি হৈঙাং এ সীগী ওইনা চেঙ চিংথোকপগী থবক চত্থখিবনি। তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিংগী ওইনা হৌজিক এফ সী আই গোদাউনশিংদগী চেঙ চিংথোকপগী থবক লেপ্তুনা চত্থনরি।

কোভিদ-১৯গী অৱাবা মতম অসিদা তঙাইফদনা মীয়ামদা চেঙ নীংথিনা ফংহন্নবা মীৎয়েংগা লোয়ননা তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিংদা লৈরিবা এসেমব্লী কনষ্টিট্যুএন্সিশিংদা চেঙ ফংহনবগী থবক লেপ্তুনা চত্থনবনি। এফ সী আই গোদাউনশিংদগী ও এম এস এস অমদি পি এম জি কে এ ৱাইগী য়াওনা চেঙ চিংথোক্তুনা বেনিফিসরিশিংদা ফংহনবগী থবক চত্থরি হায়রি।

[illegible]/ ওজা KABIRAJ ABDUL HAK পু থাগৎপা ফোঙদোকচরি

ওজা Kabiraj Abdul Hak কী পাউতাক্কী মতুং ইন্না হীদাক চাবা অমদি তৈবা তৌবদগী ঐঙোন্দা লৈরম্বা Piles কী প্রোব্লেমশিং খোঙ হাম্বা চাং নাইদবা, খোঙ হাম্বদা ঈ য়াওবা, থুপ্পা, চিকপা, শাবা, অমাংথোংদা ব্রি-ব্রি চৎপা, হাকৎচবা, চক-চক থিনবা, অমাংথোং মনুং অমদি মপান্দা পোম্বা, মচুম তারগা চিকপা, গ্যাষ্ট্রিক, খ্বাং নাবা অদুবু Wangoi State Bank Awang (পাঙল লৈরক) তা লায়েংবিরিবা ওজা Kabiraj Abdul Hak Contact No. 8794429681, 8014623756 তা চৎতুনা লায়েংজবদগী ঐগী অনাবশিং মপুং ফানা ফজরে অমদি নুংঙাইজরে। অদুনা ওজাবু পুন্সি শাংনা মিয়ামগী সেবা তৌবা ঙম্বা ওইহনবীয়ু হায়না মপুদা থৌনিজরি।

ওজাগী লায়েংলিবা মফমশিংদি :-

1. Wangoi SBI Awang (Fri. Sat. Sun., Mon. Tue.) (6:30-4:30 p.m.)
2. 7th MR Khabeisoi Gate, (Wed.-Thurs.) (10am-4pm)

থাগৎচরিবা : **L. Soba**
Keirang Mayai Leikai

HL-P/6245/14

[illegible]/PENSION BOOK LOST

I have lost my Pension Book bearing Book No. SF/13540 issued by Senior Deputy Accountant General (A&E), Manipur, Imphal, on the way between Paona Bazar and Singjamei on 13/05/2020. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

HL-P/6728/14

Sd/- Smt. Ksh. (o) Nonibala Devi

[illegible]/নূংশঙ (পাইলস) ওপরেসন তৌদনা ফহল্লি



Naorem Ibomcha

নূংশঙগা মরী লৈনবা লায়ওং খুদিংমক :- মপান্দা পোম্বা, তংবা, ঈ তাবা, ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তাবা, ঈ পেচকারিদৌনা কাপ্পা, অমাংথোঙ চোম্থবা, নাই চারগা পোম্বা অদুগা মখুল হুৎলকপা (ফেষ্টুলা), মনুংদা পোম্বা (হেমোরোয়র্দ), হাক্কৎচবা অদুগা খোঙ হাম্বা য়াদবা অসিনি। অদুগা অতোপ্পা লায়ওং খরনা হকচাংদা তাং-তাং চিকপা, খ্বাং নাবা, খোঙ-খূৎতা চিকপা, পোম্বা, পংথবা-শিথবা হকচাংগী শরুকশিংদা শিংলি-নাওরি নুংঙাইতবা হায়রিবা লায়ওংশিং অসি ফহন্নীংবা লৈরগদি হংবীনীংবা লৈরগদি অমুক্তং লেংথোকপীরক্তুনা তানবীয়ু।

লায়েংজরিবা - **Naorem Ibomcha Meitei**
Heingang Awang Leikai
Contact Nos. 8014023792/6009147645

HL-P/6708/05-05to4/06

[illegible] / শ্রীশ্রী গৌরচন্দ্রায় নম:



পুর্ব্বাশ্রমদা ঐখোয় খ্বাইগী ইরক্তা তিনবীরম্বী **য়ুম্নাম ওংবী সুজাতা সাপম**না মাগী নুংশিজরবা ইমুং-মনুং, শাগৈ-নাতৈ অমদি মরুপ-মপাং খ্বাই খিবিকপু থাদোক্লম্লগা, হৌখিবা তাং ০৯/৫/২০২০ ইং, কালেনগী ১৭নি পানবা থাংজ নুমিত্তা শ্রীগুরুগী কৃপাদগী বেষ ওল্লগা সুদেবী দাসিনি হায়বা নাম ফংজদুনা বৃন্দাবন প্রাপ্তি ওইখ্রে।

লাক্লিবা তাং ১৪/৫/২০২০ ইং, কালেনগী ২২নি পানবা শগোলশেন নুমিত্তা অস্থি-সঞ্চয় লৌখৎচরগা, লাক্লিবা তাং ২২/৫/২০২০ ইং, কালেনগী ৩০নি পানবা ইরাই নুমিত্তা চিড়া-উৎসব দিন থোক্লে। নুমিৎ অসিদা লৈখিদ্রবীগী আত্মা শান্তিগীদমক ঙমজবা বস্তু খরদং হরি সঙ্কীর্ত্তণগা লোয়ননা শ্রীশ্রীগৌরচন্দ্র মহাপ্রভুগী চরন্দা কচ্চগদৌরি।

কোভিদ-১৯গা মরী লৈননা লৈবাক্কী অথিংবা লৈবনা লাইগী থৌরমদমক পাঙথোকচরগনি। মরম অসিনা নুংশিবিবা মীয়াম্না ৱারৌবীদনবা নীংশিংজরি।

বিনিটগণ : (১) য়ুম্নাম বেদজিৎ সিংহ (মপুরোইবা) (২) য়ুম্নাম জিলা সিংহ (মকুবোক) (৩) য়ুম্নাম ওংবী তোম্বী দেবী (মনেমবোক) (৪) ফ্রেয়া য়ুম্নাম (মচানুপী)।

নহারুপ ময়ায় লৈকায় **# 9862104430**

HL-P/6725/12,13,14

[illegible] / শ্রীহরি শরনম :

পুর্ব্বাশ্রমদা ঐখোয় খ্বাইগী ইরক্তা তিল্লম্বী ঐগী লোয়নবী **শ্রীমতি নাগ্রম ঁমেমচা দেবী**-না মাগী নুংশিজরবা ইমুং-মনুং, শাগৈ-নাতৈ অমদি মরুপ-মপাং খ্বাই খিবিকপু থাদোক্লম্লগা, হৌখিবা তাং ০৯/০৫/২০২০ ইং, কালেনগী ১৭নি পানবা থাংজ নুমিত্তা শ্রীহরিগী চরণদা চঙজখ্রে।

ঙরাং তাং ১৩/০৫/২০২০ ইং, কালেনগী ২১নি পানবা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা অস্থি-সঞ্চয় লৌখৎচরগা, লাক্লিবা তাং ২১/০৫/২০২০ ইং, কালেনগী ২৯নি পানবা শগোলশেন নুমিত্তা শ্রাদ্ধ দিন থোক্লে। নুমিৎ অসিদা লৈখিদ্রবীগী আত্মা শান্তিগীদমক ঙমজবা বস্তু খরদং শ্রীহরিগী চরন্দা কচ্চগদৌরি।

উপলক্ষ অসিদা ব্রাহ্মণ-বৈষ্ণব, অহল-লম্মন, ইমা-ইবেল, মরুপ-মপাং খ্বাই পুম্নমক্লা মতম চানা লেঙবীরক্তুনা হরিনাম শ্রবন তৌবিরনবা পাউচেদা পত্রনা নিমন্ত্রণ কৎচরি। পাউচেদা পত্রনা নিমন্ত্রণ কচ্চবগী অপরাধ খিবিক ঙাকপীগনি।

হৌজিক হৌজিক লৈবাক্কী ওইবা লাইচৎ কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা লৈখিদ্রবীগী থৌরম অসি লাইগী ওইবা থৌরমগা লোয়ননা অয়ুক পুং ৮.০০ তাবদগী হৌজরগা, ভৈক্ষ কৎলগা লোইশিঞ্জরগনি। মরম অদুনা অহল-লমন অমদি মরুপ-মপুং খ্বাই পুম্নমক্লা শ্রীহরিগী চরনদা লৈ মনা অমমমতং কৎপীরনবা নীংশিংজরি। পুম্নমক্লা ৱারৌবীদনবা খুরুমজরি।

বিনিট : নাগ্রম মদন সিংহ (মপুরোইবা)

সেবা ফংজরিবশিং : নাগ্রম শুনিল সিংহ (মনাওনুপা), নাগ্রম মহেন্দ্র সিংহ (মচানুপা), নাগ্রম নন্দকুমার সিংহ (মচানুপা), নাগ্রম রোমেশ সিংহ (মচানুপা), নাগ্রম ইবোতোম্বা সিংহ (মচানুপা)।

লমদেং খুনৌ: লমসাং (শো মিল)

HL-P/6727/14

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।